# গান্ধী ফেমিলিনা আই এন এস বিরাতপু মরন্নাই টেক্সি অমা ওইনা শিজিন্নখি ঃ প্রাইম মিনিষ্টর মোদি



*ন্যু দিল্লি, মে ৯ঃ*
রজিব গান্ধীনা লৈঙাক্কী শক্তি পায়রিঙৈদা লৈবাকসিগী অমত্তা ঙাইরবা লানগী প্লেনশিং পুবা জহাজ এয়ারক্রাফ কেরিয়র আই এন এস বিরাতপু গান্ধী ফেমিলিগী মরন্নাই টেক্সি অমা ওইনা শিজিন্নখি হায়না প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ঙরাং মরান শীখ্রে।

লৈখিদ্রবা কোংগ্রেস লূচিংবা অমসুং হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর অদুবু 'ব্রষ্টচারি নম্বর ৱান' হায়বদি করপসন নম্বর ৱাননি হায়না থিনা চৈখিবা অদুগী নুমিৎ খরনিগী তুংদা কোংগ্রেস লূচিংবা অদুগী মথক্তা অনৌবা মীচৈ অমদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা কোংগ্রেসনা ভোট খোন্বদা মমিং শিজিন্নরিবা মখোয়গী লূচিংবশিংগী ফৎতবা থবকশিং অদু মহাক্না ফোঙদোকপদা পার্টি অসিনা করিগু শাওরিবনো হংখি।

দিল্লিগী সিট ৭ লোয়নমক ভোট থাদনগদৌরিবা মে ১২ মীখলগী মাঙওইননা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা দিল্লিদা মহাক্কী অহানবা মীখলগী রেল্লিদা ৱা ঙাংখি।

১৯৮৪–৮৯গী মরক্তা প্রাইম মিনিষ্টর ওইখিবা রজিব গান্ধীদা চৈখিবগীদমক মিষ্টর মোদিদা কোংগ্রেসকী প্রসিদেন্ট রাহুল গান্ধী অমসুং জেনরেল সেক্রেটরি প্রিয়াঙ্কা গান্ধী ভদ্র য়াওনা পার্টিসিগী লূচিংবশিংনা চৈরকখি।

লন্নাইগী হোলিদেদা কোয়বা চৎনবগীদমক ইন্দিয়ান আর্ম ফোর্সশিংগী মকোক থোঙবা লানগী জহাজ অমবু শিজিন্নবা য়াগনি হায়বসি ৱাখননা লাম্বা ফংব্রা? মদু দাইনাষ্টি অমনদি তৌখি হায়না মোদিনা হায়খি।

নেভিবু গান্ধী ফেমিলি অমসুং রজিব গান্ধীগী মশেন–মবাইশিং, মরী–মতাশিং তরান্না ওক্তুনা লেকফম–চাফম ওইহনখি অমসুং মখোয়গী চখোক–চৎশিন তৌনীংবা তৌবা য়ানবা হেলিকোপ্টর অমসু থৌরাং তৌদুনা থমখি। ইমূং অমনা মতোল লোম্বা শক্তি অমা ওইরকখ্রবা মতমদা লৈবাক্কী সেক্যুরিটি খুদোং থিবা তানীংঙাই লৈ হায়না মোদিনা হায়খি।

মরন্নাই টেক্সি অমা ওইনা শিজিন্নদুনা আই এন এস বিরাতপু ইকাইবা পীখ্রে। মসি রজিব গান্ধী অমসুং মহাক্কী ইমূং–মনূংনা নুমিৎ ১০নি কোয়বা চৎপগী খোঙচৎতা থোকখিবনি।

ঐখোয়গী লৈবাক্কী ঈশিং ঙমখৈ অশোই–অঙাম থোকহন্দনবা ঙাক শেন্নবগীদমক আই এন এস বিরাত মথৌ তৌহনখিবনি। অদুবু অদুগুম্বা লৈবাক্কী ঙাক–শেনগী লূরবা থৌদাং অদুদগী থৈদোক্লগা কোয়বা চৎপা গান্ধী ফেমিলি পুবগী থবক তৌখ্রে হায়না মোদিনা হায়খি। গান্ধী ফেমিলি অদুবু লৌখৎলবা মতুংদা আই এন এস বিরাত ঈথৎ অমদা নুমিৎ ১০নি খামদুনা লৈখি।

মদুগী লম কোয়বা খোঙচৎ অদুদা রজিব গান্ধীনা ইটালিদগী লাকখিবা মাগী নুপীগী মরীমতাশিং লোয়নখি। লৈরিবা ৱাহংদি লানগী জহাজ অমগী মথক্তা ফোরেনরশিং পুখিবা অদুনা লৈবাকসিগী সেক্যুরিটি কম্প্রোমাইজ তৌখিদ্রা হায়বসিনি হায়না প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা হায়খি।

১৯৮৭দা আই এন এস বিরাত নেভিদা কমিসন তৌখিবনি। চহী ৩০ রোম থবক তৌরকখ্রবগী তুংদা ২০১৬দা জহাজ অদু দিকমিসন তৌখি।

মসিগী মমাঙদা রজিব গান্ধীবু বোফোরস স্কামদা চেন্নবগীদমক ব্রস্ত্রচারি নম্বর ৱান হায়বদি করপসন নম্বর ৱাননি হায়খিবনি।

# সাউথ চিনা সিদা নেভেল দ্রিলশিং পাঙথোক্তুনা লৈবাক মরীনা বৈজিংগী মায়োক্তা শীংনখ্রে

*টোকিও, মে ৯ঃ*
লৈবাক কয়ামরুন্না য়েৎনরিবা সাউথ সিনা সিদা নেভেল ফোর্সকী অনৌবা শক্লোন উৎলদুনা চিনাগীনি হায়রিবা সমুদ্রগী ঈশিং লম্বী অদুদা যু এস গাইদেদ মিসাইল দিষ্ট্রোয়র অমনা জপানগী এয়ারক্রাফ কেরিয়র অমা, ইন্দিয়া নেভিগী জহাজ ২ অমসুং ফিলিপিন পেট্রোল ভেসেল অমগা লোয়ননা দ্রিলশিং পাংথোকখ্রে হায়না য়ু এস নেভিনা ঙসি ফোঙদোকখ্রে।



য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা চিনাগী দোল্লর বিল্লিয়ন ২০০ রোমগী পোত্থেকশিংগী মথক্তা লৌবা টারিফ হেনগৎনবা কিহনখিবা অদুগী তাল্লক্তা লৈবাক ৪গী অপূনবা নেভেল দ্রিলগী শক্তি উৎপা অসিনা বিজিংদা অনৌবা শীংনবা অমা ওইরি।

ঐখোয়গী খোঙবুশিং অমসুং রিজন অসিদা ঐখোয়গী পার্টনরশিং অমসুং মরুপশিংগা পূন্না থবক তৌমিন্নবসি ঐখোয়গী লৈরিবা অকনবা মরি অসি হেনগৎহন্নবগী খুদোঙচাবশিংনি হায়না ষ্টেটমেন্ট অমদা য়ু এস দিষ্ট্রোয়র, য়ু এস এস ৱিলিয়ম পি লোরেন্সকী কেপ্টেন কম্মান্দর এনদ্রিয়ু জে ক্লগনা হায়খি।

ঙরাং য়ুশকৈশা নুমিৎতা লোয়শিনখিবা চয়োল অমগী জোইন্ট দ্রিলশিং অদু চিনাগীনি হায়রিবা লম অদুগী ঈথৎশিংগী মনাক্তা য়ু এসকী জহাজ অনীনা হোনখিবা অদুগী মতুংদনি। মদুগী খোঙথাং অদু চিনাগী সোভরেন্টিদা শোকহনবা অমনি হায়না বৈজিংনা অকনবা প্রোটেষ্ট তৌখি।

মদুদা য়ু এস নেভিনা হায়রিবনা মখোয়গী খোঙবুশিংনা মখোয়গীনি হায়রিবা সমুদ্রশিংদা ফাওবা য়াওনা মালেমগী অকোয়বদা লৈরিবা ইন্টরনেসনেল ৱাটরসতা পাংথোকপা ফ্রিদম ওফ নেবিগেসননি হায়খি।

ব্রুনৈ, ইন্দোনেসিয়া, মলেসিয়া, ফিলিপিন্স, টাইৱান অমসুং ভিয়েৎনামনা সমুদ্রগী লমদম অসিবু মখোয় মখোয়গীনি হায়নরিবা মরুওইরবা সাউথ চিনা সি অসি লোয়নমক চিনাগীনি হায়রিবনি।

এসিয়ান ৱাটরসতা বৈজিংগী মফমদা তোঙানবা শীংনবা অমদা চাইনিজ মেনলেন্দদগী রোগ প্রেভিন্স অমনি হায়না বৈজিংনা লৌরিবা চিনাগা টাইৱানগগী মরক্তা লৈরিবা টাইৱান ষ্ট্রেট ফাওদুনা য়ু এস এস ৱিলিয়ম পি লোরেন্স অমসুং অতোপ্পা য়ু এস দিষ্ট্রোয়র অমনা চৎখি।

## করনাতকানা ওরিষ্যাদা লূপা ক্রোর ১০গী তেঙবাং পীখ্রে

*বেঙ্গলুরু, মে ৯ঃ*
নোংলৈ –নুংশিৎনা শোকহনখ্রবা ওরিষ্যাদা অৱাবা তারবা মীয়ামদা তেঙবাং পীবদা মতেং ওইনবা করনাতকা গভর্ণমেন্টনা লূপা ক্রোর ১০ হাপখ্রে হায়না ওফিসিয়েল ষ্টেটমেন্ট অমনা ঙসি ফোঙদোকখ্রে।

লূপা ক্রোর ১০গী শেনফম অদু ভুবনেশ্বরদা ওরিষ্যা চীফ মিনিষ্টর'স রিলিফ ফন্দগী বেঙ্ক একাউন্টদা হাপচিনখ্রে হায়না চীফ মিনিষ্টর'স ওফিসকী ষ্টেটমেন্ট অদুনা হায়খি।

ওরিষ্যাদা নোংলৈ–নুংশিৎ ফোনি শিৎলকখিবদা মীওই ৪১ শিরে হায়বা চপ চানা খংখ্রে। কেটেগোরি ৪গী নোংলৈ–নুংশিৎ অমা ওইনা মে ৩দা সাইক্লোন ফোনি ওরিষ্যাদা শাফু কন্না হুমজিল্লকখিবনি।

শাথিরবা নোংলৈ–নুংশিৎ অসিগীদমক সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা মাঙজৌননা মতিকচাবা থৌরাং লৌখৎহৌবদগী মিশি–মীনাগী চাং হন্থবনি। সেন্টরনা মাঙজৌননা অৱা –তেঙবাংগীদমক মতিকচাবা শেনফমসু কাইথোকখি।

## কোইলা মেফিয়ানি হায়খিবী মমতা বেনর্জিনা মোদি মনা পায়রগা হৌগৎ–ফমথ ১০০ তৌনবা শীংনখ্রে

*বঙ্কুরা, মে ৯ঃ*
ঙসি সগোলশেন নুমিৎতা ৱেষ্ট বেঙ্গলগী বঙ্কুরাদা ভোট খোন্বদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ষ্টেট অসিগী চীফ মিনিষ্টর মমতা বেনর্জিদা চৈরকখিবা মীচৈ অদুগা চপ মান্নবা মীচৈ অমা চৈদুনা চীফ মিনিষ্টর অসিনা মহৌশাগা মান্নদবা অচৌবা শীংনবা অমা নরেন্দ্র মোদিগী মাঙদা থমখ্রে।



বঙ্কুরাদা মহাক্কী মীখলগী মীফমদা মমতানা ৱা ঙাংদ্রিঙৈগী পূং অমগী মমাঙদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা বেঙ্গল চীফ মিনিষ্টরবু কোইলাগী খোনিশিংদা মেফিয়া লিংখৎলি অমসুং খোনিদা থবকশুবশিংগী খৎশুমন মৎপগী মরান শীখি।

বেঙ্গলদা নেসনেল ইলেক্সনগী মৈ হৌবা কেম্পেন অমদা মমতা বেনর্জিনা মোদিগী ৱাঙাং অদুগী পাউখুম হল্লদুনা করিগুম্বা মহাক্না ঐগী কেন্দিদেট অমগী মথক্তা শীরক্লিবা মরান অদুগী প্রমান পীবা ঙম্লবদি বেঙ্গলগী লোক সভা সিট ৪২সিগী লোয়নমক্তগী মাগী কেন্দিদেটশিং ৱিদ্রো তৌগে হায়খি।

ত্রিনামুলগী মীরেপতি কোল মেফিয়ানি হায়না মোদিনা হায়খিবনি। মদুগী প্রমান পীনবা ঐনা মঙোন্দা শীংনরি। প্রমান পীবা ঙম্লবদি ঐনা ঐগী কেন্দিদেট পূম্নমক ৱিদ্রো তৌগনি অদুগা করিগুম্বা মহাক্না মীনম্লবদি মহাক মনা পায়রগা হৌগৎ–ফমথ ১০০রক তৌগদবনি হায়না মমতা বেনর্জিনা শীংনখি।

হৌজিক চথরিবা লোক সভা মীখল অসি মে ১৯দা লোয়গদবনি মীখল অসিদা বেঙ্গলদা তাঙ্কক ২গী ভোট থাদনগদবা ৱাৎলি। অপূনবা মীখলগী ফল মে ২৩দা লাওথোক্কনি।

প্রাইম মিনিষ্টর মোদিনা বেঙ্গলদা মাগী কেম্পেন হেন্না কনশিল্লকখ্রে। ২০১৪দদি ষ্টেট অসিগী সিট অয়াম্বা ত্রিনামুল কোংগ্রেসনা ফংখি অদুবু হন্দক্তি উত্তর প্রদেশ, রাজস্থান অমসুং মধ্য প্রদেশকুম্বা ময়াই থঙবা ষ্টেটশিংদা মাঙলবা য়ারিবা সিটশিং অদুগীদমক বেঙ্গল অমসুং ওরিষ্যাদা সিট খরা হেন্না ফংদুনা মেনখৎনবা বি জে পিনা আশা তৌরি।

# ভেনেজুয়েলাগী ওপোজিসন লীদর জুৱান গুৱাইদো ফাখ্রে

*কারাকাস, মে ৯ঃ*
ভেনেজুয়েলাগী ইন্টিলিজেন্স এজেন্টশিংনা ওপোজিসন লিদর জুৱান গুৱাইদোগী কোংগ্রেসনেল দিপুটি অদু কার মনূংদা তোংলিঙৈদা টোৱ ট্রক অমনা কার অদু চীংদুনা ঙরাং ফাখ্রে। অমরোমদা মহাকপু থাদোক্লক্তবা তারবদি মদুগী মতিচাবা ফলশিং ময়োক্লগনি হায়না য়ু এস গভর্ণমেন্টনা ৱার্নিং তৌরকখ্রে।



প্রসিদেন্ট নিকোলাস মাদুরোগী গভর্ণমেন্টপু চীংথুনবা ওপোজিসন লিদর জুৱান গুৱাইদোনা হৌখিবা চয়োলদা মিলিটরিগী ঈহৌ অমা শাগৎনবা হোৎনখিবা অদুগী মতুংদগী লোমেকর অমা ফাবদা অহানবা ওইনা মহাক্না লূচীংলিবা ওপোজিসননা পায়বা নেসনেল এসেমব্লিগী ভাইস প্রসিদেন্ট এগর জম্ব্রানোবু এস ই বি আই এন ইন্টিলিজেন্স এজেন্টশিংনা ফাখি।

ভেনেজুয়েলাগী মাদুরো শৌগৎপা কনষ্টিট্যুয়েন্ট এসেমব্লিনা জম্ব্রানো অমসুং লোমেকর ৬কী মথক্তা আইনগী থবক লৌখৎপা য়ানবা মখোয়গী পার্লিয়ামেন্টরি ইম্ম্যুনিটি লৌথোক্লবা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা য়াখ্রে।

ওপোজিসননা এসেমব্লি ৱারেপ অদু রিকগনাইজ তৌখিদে। সুপ্রিম কোর্টনা হান্নদগীসু লোমেকরশিং অদুবু লৌতুনবা, লালহৌবা অমসুং লৈবাক্কী মায়োক্তা থবক তৌবগী মরান শীখি অমসুং অতোপ্পা ওপোজিসন লেজিলেটর ৩বুসু ঙরাং য়ুশকৈশা নুমিৎতা চপ মান্নবা ক্রাইমশিং অসিগী মরান শীখি।

মাদুরো অমসুং মহাক্কী লোয়নবশিং অদু জম্ব্রানোগী সেক্যুরিটিগী হকথেঙনবা দায়ত্ব লৈবশিংনি। মহাকপু খুদক্তা থাদোক্লক্তবা তারবদি মদুগী ফলশিং লৈগনি হায়না ত্বিটরদা য়ু এস গভর্ণমেন্টকী, হৌজিক্তি ৱাসিংটনদা লৈবা ভেনেজুয়েলান এম্বেসিনা হায়খি।

য়ুনাইটেদ ষ্টেটস অমসুং অতৈ নোংচুপকী লৈবাকশিংনা হেদ ওফ ষ্টেট ওইফম থোকপনি হায়না শকখঙলিবা গুৱাইদোনা মিলিটরিগী ঈহৌ অমা শাগৎলগা হৌখিবা চয়োলদা মাদুরোগী গভর্ণমেন্ট ইন্থুনবা হোৎনখি। মদু কূ তৌনবা হোৎনবনি হায়না মাদুরোনা কন্না য়ানীংদবা ফোঙদোক্লকখি।

কূ অদুগী মরুওইবা কনস্পিরেতরশিং অদুগী মনূংদগী অমা হৌজিক ফারে হায়না ষ্টেট টেলিভিজনদা ব্রোদকাষ্ট তৌবা ৱারোল অমদা কনষ্টিট্যুয়েন্ট এসেমব্লিগী মকোক দিওসদাদো কাবেলোনা হায়খি।

## অৱাং অমসুং খা ইন্দিয়াদা শাবগী চাং দিগ্রী সেলসিয়স ৪০ হেনখ্রে, অন্ধ্র প্রদেশতদি সেলিসিয়স দিগ্রী ৪৭ ফাওবা য়ৌরবা য়াই পান্নরি

*ন্যু দিল্লি, মে ৯ঃ*
ইন্দিয়াগী অৱাং থঙবা শরুক হৌজিক মখা তানা অকনবা নুংশা–মৈশাগী মৈচাক নংদুনা লৈরি। মেটিওরোলোজিকেল দিপার্টমেন্টকী মতুং ইন্না হন্দক্কী কালেন থা অসিদা দিগ্রী সেলসিয়স ৪০ হেনবগী চাংদা শাদুনা জম্মুনা টেম্পেরেচর খ্বাইদগী ৱাংলি।



জম্মু এন্দ কাশ্মিরগী নিংথম থাগী কোনূংনি হায়না খংনরিবা জম্মু অহানবা ওইনা হন্দক্কী কালেন থাদা দিগ্রী সেলসিয়স ৪০ য়ৌখি। অন্ধ্র প্রদেশতসু মথঙগী নুমিৎ হুন্নিদা মীয়ান্না শাথিনা কনবা নুংশাগী মৈশা মায়োক্লরবা য়াই।

অন্ধ্র প্রদেশ গভর্ণমেন্টকী রিয়েল টাইম গভর্নান্স সোসাইটি (আর পি জি এস)না ফোঙদোকপদা হৌখিবা চয়োলদা ষ্টেট অসিগী টেম্পেরেচর দিগ্রী ৪১দগী ৪৫ ফাওবগী মরক্তা লৈ হায়খি।

টেম্পেরেচর অসি দিগ্রী ৪৭ ফাওবা য়ৌনা ৱাংখৎলকপা য়াই ঐখোয়না মীয়ামদা মদুগীদমক চেকশিন্নবা হায়জরি। ফিভম অদু লাক্সিন্নবা গভর্ণমেন্টনসু থৌরাং কয়া লৌখৎলি। মথৌ তাবা থবক লৌখৎনবা দিষ্ট্রিক্ট কলেক্টরশিংদা খংহনখ্রে হায়না আর টি জি এসকী ওফিসিয়েল আনন্থ কৃষ্ণননা হায়খি।

অয়ুক পূং ৯দগী নুংথিল পূং ৫ ফাওবা মপান্দা চখোক্তনবা এজেন্সি অসিনা মীয়ামদা পাউতাক পীখ্রে। অন্ধ্র প্রদেশকী দিষ্ট্রিক্ট ১৩ রেদ এলার্ট নি হায়না লাওথোকখ্রে।

দিল্লিদা খ্বাইদগী নেম্বা অমসুং খ্বাইদগী ৱাংবা টেম্পেরেচর অসি দিগ্রী সেলসিয়স ২৭তগী ৪১ ফাওবগী মরক্তা লৈরবা য়াই। নুংথিলগী মতমদা পূংদা কিলোমিটর ৮ য়াঙনা শীৎপা লৈমাইগী অকনবা নুংশিৎ শিৎপা য়াই হায়না ইন্দিয়ান মেটিওরোলোজিকেল দিপার্টমেন্টনা হায়খি।

## ওক্তবী ওইহন্নবা পাকিষ্টানি লৈশাবী মচাশিং পুনবা হোৎনরম্বা চাইনিজ ২০ হেন্না ফাখ্রে



*ইস্লামাবাদ, মে ৯ঃ*
পাকিষ্টানগী লৈশাবী মচাশিংবু চাইনিজশিংদা আইননা য়াদবা মওংগী লূহোংবশিং শীল্লগা মখোয়বু ওক্তবী শিনফমদা নমদুনা চংহন্নবা হোৎনবগীদমক তোঙান –তোঙানবা পাকিষ্টানগী সিটি কয়ামরুমদা হৌজিক চথরিবা ওপরেসনদা চাইনিজ ২০ হেন্না ফারে হায়না ঙরাং য়ুশকৈশা নুমিৎতা ওফিসিয়েলশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

চাইনিজশিংনা লুহোংলবনি হায়বা পাকিষ্টানি নুপিমচা কয়াবু চিনাদা চৎলবা তুংদা চাইনিজ মপুরোইবশিং অদুনা মখোয়বু তুহৎপীদুনা ওন্ন–তৈনবা লম্বীদা পুশিন্নবা হোৎনৈ হায়বগী মেদিয়া রিপোর্টশিং থোক্লকখ্রবগী তুংদা চয়োল অসিদা ওপরেসনশিং অদু চথখিবনি।

নুপীমচাশিং অদুবু তাৎকী লূহোংবশিং শীনখিবা অমসুং মখোয়গী হকচাং কয়াৎ লৌথোকপা লোয়ননা মখোয়বু নমদুনা ওক্তবীগী শিনফমদা চংহনবদা চেন্নবা চাইনিজ ২০ হেন্না তোঙান–তোঙানবা পাকিষ্টানি সিটিশিংদগী ফাগৎলকখ্রে হায়না ওফিসিয়েলশিং অদুনা হায়খি।

ফেদরেল ইনভেষ্টিগেসন এজেন্সি (এফ আই এ)গী এন্টি–হ্যুমেন ট্রাফিক্কিং সেলনা ইস্লামাবাদ অমসুং ৱাৱালপিন্দি সিটি অনী অসিদগী চাইনিজ ১৪ ফাখি অমসুং পাকিষ্টানি লৈশাবী মচা ৩ ফংখি হায়না মিনিষ্ট্রি ওফ ইন্টরিয়রগী ওফিসিয়েলশিং অদুনা হায়খি।

অহানবা ওইনা ফারবা চাইনিজশিং অদুদগী আইনগী মায়োক্তা পায়রম্বা খূৎলাইশিংসু ফংখি। লুহোংলবনি হায়বগী মিংদা চিনাদা পাকিষ্টানগী লৈশাবী মচাশিং লোন্না পুবা গেঙশিংগী মথক্তা থবক লৌখৎনবা হন্দক্তা গভর্ণমেন্টনা এফ আই এদা ওর্দর তৌখিবনি।

## SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating any numbers.*

**Hard Sana Suduku-118**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | | 3 | 4 | | 6 | 9 | | |
| | 6 | | | | | 5 | 1 | 3 |
| 1 | | | 3 | | | 7 | 6 | |
| 9 | 3 | | 1 | | | | | 6 |
| 6 | 8 | | | 4 | | | 5 | |
| | 1 | 4 | | | 5 | | 9 | |
| | | 9 | 6 | | 1 | | 3 | |
| | | 6 | | 9 | | | | 1 |
| 5 | | | | 3 | | | 4 | |

# মতম অমদা নেহরুগী কনষ্টিট্যুয়েন্সি ওইখিবা য়ু পিগী ফুলপুর হৌজিক প্রাইম মিনিষ্টর মোদিগা লেমহৌরিবা অতৈশিংগগী লান অমা মায়োক্লরি



*লখনৌ, মে ৯ঃ*
জৱাহরলাল নেহরুগী পার্লিয়ামেন্টরি কনষ্টিট্যুয়েন্সি অদু ওইনা হেন্না ফজনা খংনরিবা উত্তর প্রদেশকী ফুলপুর হন্দক্কী মীখল অসিগী মতাংদদি প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি অমসুং লেমহৌরিবা ওপোজিসনগা অনীগী মরক্তা থেংনবা লান অমা উগদৌরি।

মরক্কী মীখলশিংদা বি জে পিগী মীরেপপু অপূনবা ওপোজিসনগী মীরেপনা মায়থিবা পীদুনা কনষ্টিট্যুয়েন্সি অসি হৌখিবা চহীদা অচৌবা পাউ ওইখি।

হন্দক্কী মতাং অসিদা এসেমব্লি কনষ্টিট্যুয়েন্সি ৫না শাবা ফুলপুর পার্লিয়ামেন্টরি কনষ্টিট্যুয়েন্সি অসিদা পূন্না মীরেপ ১৪ লম্বা থেঙনরি।

কনষ্টিট্যুয়েন্সি অসিদা লৈরিবা ভোটর লাক্ষ ১৯.৭৫ অসিগী মনূংদা মখোয় কয়ামরুন্না মীখলগী লান অসি প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি অমসুং অতৈ লেমহৌরিবশিং অদুগগী মরক্ত শোক্লবা লান অমা ওইনা উরি।

হন্দক কুম্ভ মেলা পাংথোকখিবা অদুদা চাওখৎ থৌরাংগী থবক পাক–চাওনা পায়খৎখিবা অদুনা মীওই কয়াবু পেলহল্লি। মদু তশেঙনমক বি জে পিগী খুদোঙচাবনি হায়না এলাহাবাদ (নোর্থ)তা দুকান ফম্বা অশিৎ নিওগীনা হায়খি। ২০১৯ লোক সভা মীখলগী ওইনদি মীয়ান্না লৈরিবা ৱাখল অসি প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী নাকন্দা লৈব্রা খল্লি হায়না অভিলাশ বাসাদ কৌবা ব্যুজিনেসমেন অমনা হায়খি।

মীখল অসিদা থোরক্লিবা মরুওইবা মীরেপশিংদি বি জে পিগী কেসরি দেবি পতেল, সমাজৱাদি পার্টিগী পন্ধারি যাদব অমসুং কোংগ্রেসকী পঙ্কজ পতেলনি। মীখলগী ৬শুবা তাঙ্কক মে ১২দা কনষ্টিট্যুয়েন্সি অসিগী ভোট থাদনগনি।

সমাজৱাদি পার্টিগী মীরেপনা সিট অসি মখা তানা পায়গনি হায়বগী থাজবা ফোঙদোক্লদুনা পার্টি অসিগী ৱাঙাংলোই অমসুং এম এল সি রাজপাল কস্যপনা হায়খি, ফুলপুর, গোরখপুর অমসুং কাইরনাদা পাংথোকখিবা বাইপোলশিংনা য়ু পিগী ইলেক্টোরেল পোলিটিক্সকী ৱারী অদু হোংদোকখ্রে।

কনষ্টিট্যুয়েন্সিশিং অসি লোয়নমক, মহাপরিবর্তন অমা পুরক্কবগী মীৎয়েং থল্লিবা মহাগথবন্ধনগীদমক শোয়দনা ভোট পীরক্কনি হায়না মহাক্না হায়খি।

হৌখিবা চহীগী বাইপোলশিং অদুদা অপূনবা ওপোজিসনগী মীরেপ সমাজৱাদি পার্টিগী নগেন্দ্র প্রতাপ সিংহ পতেলনা ভোট লাক্ষ ৩.৪২ ফংদুনা ভোট লাক্ষ ২.৮৩ ফংখিবা বি জে পিগী কৌশলেন্দ্র সিংহ পতেল মায়থিবা পীরমখিবনি। অদুবু মদু বায়পোলশিং অদুদা ভোট থাদনবগী পার্সেন্টেজ নেমখিবা অদুনা বি জে পি মায়থিহৌবনি হায়না ষ্টেট বি জে পি মেদিয়া কোওরদিনেটর রাকেস ট্রিপাথিনা হায়খি।

জৱাহরলাল নেহরুনা ১৯৫১, ১৯৫৭ অমসুং ১৯৬২দা ফুলপুরদগী মীখল মায়পাকখিবনি।


## GAS TODAY

**Maibia Gas, Moirang**
Booking : 18/03/19
Sl. No. : 6830
Valid : 15/03/19
Sl. No. : 6291
Stk : 306
Time : 07.00 to 11.00 a.m.

**Hiyangthang Indane**
Booking : 28/03/19
Sl. No : 900
Valid : 17/03/19
Stk : 594, 19kg -12
Time : 07.30 to 10.30 a.m.

**Lamshang Gas Agency**
Booking : 03/04/19
Valid : 30/03/19
Stk : 306
Time : 07.00 to 10.00 a.m.

**Khumbong Indane**
Booking : 08/04/19
Sl. No : 800
Valid : 05/04/19
Stk : 306
Time : 07.30 to 10.30 a.m

**Lambodara Indane**
Booking : 09/05/19
Valid : 02/05/19
Stk : 306
Time : 07.30 to 10.00 a.m

**K & K Indane**
Booking : Up to Date
Stk : 306
Time : 07.30 to 11.00 a.m.

**Hrangchal Gas Agency**
Booking : 10/04/19
Valid : 05/04/19
Stk : 612

**Patsoi Indane Service**
Booking : 11/04/19
Valid : 20/03/19
Sl. No. : 36
Stk : 306
Time : 08.00 to 10.00 a.m.

**Haran Valley**
Booking : 17/03/19
Valid : 11/03/19
Stk : 306
Time : 07.30 to 10.30 a.m.

**Jemon Gas Service, Singjamei**
Booking : 03/03/19
Valid : 18/02/19
Stk : 612
Time : 07.00 to 09.00 a.m.

**Misao Gas**
Booking : 17/04/19
Valid : 28/03/19
Stk : 306, 19kg Available
Time : 07.00 to 11.00 a.m.


**সনা–সুদোকু – ১১৭ গী সোল্যুসন**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 2 | 8 | 9 | 6 | 4 | 1 | 7 | 5 | 3 |
| 6 | 7 | 4 | 3 | 5 | 8 | 1 | 9 | 2 |
| 3 | 5 | 1 | 2 | 7 | 9 | 4 | 6 | 8 |
| 1 | 4 | 5 | 9 | 6 | 2 | 8 | 3 | 7 |
| 7 | 6 | 8 | 1 | 3 | 4 | 5 | 2 | 9 |
| 9 | 2 | 3 | 7 | 8 | 5 | 6 | 1 | 4 |
| 5 | 3 | 6 | 4 | 9 | 7 | 2 | 8 | 1 |
| 8 | 1 | 7 | 5 | 2 | 3 | 9 | 4 | 6 |
| 4 | 9 | 2 | 8 | 1 | 6 | 3 | 7 | 5 |